# নোং কন্না চুবদগী হিমাচল প্রদেশতা মীওই অহুম শিরে মফম কয়াদা টুরিষ্টশিং য়াওনা মীওই চা কয়া পন্দুনা লৈরে

**শিমলা, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
হিমাচল প্রদেশতা নুমিৎ নীনি লেপ্তুনা নোং কন্না চুবদগী ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা লেন্দ স্লাইদশিং থোকপগা লোয়ননা লম্বী রিং ৭০০ হেন্না ফাওনখিদবদগী ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা টুরিষ্টশিং য়াওনা মীওই চা কয়া পন্দুনা লৈখ্রে অমদি নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা মীওই অহুমগী পুন্সি লোমখ্রে।

চান্দিগর-মনালি হায়ৱে অমসুং পিঞ্জোর-বাদি হায়ৱে নোংগী চৈথেং নঙখি। মনালি অমসুং কুলু টাউনশিং ষ্টেট অসিগী অতৈ মফমশিংগা তৎনখি। শিমলা দিষ্ট্রিক্টকী কুমাইসাইন টেহশিলদা চীংথক্তগী ওন্থরকপা নুংজাওশিং য়ুমথক্তা তাশিনবদগী য়ুমদুদা লৈবা মীওই অহুম শিখ্রে।

পুলিস, এমদিআরএফ অমসুং হোম গার্দশিংনা কুলুগী সুরুহারি মনাক্তগী মাইগ্রেন্ট লেবরর মঙা রেস্ক্যু তৌখি। মন্দি সিটিগী মমিং লৈরবা পাঞ্চভক্ত লাইশঙ ঈশিংনা থুমজিনখি। মনালিগী বিচ তুরেল পরিংদা খাল্লিবা গাড়ী কয়া ঈচেল কল্লবা ঈশিংনা চেন্থখ্রে হায়রি।



ইমুং অমগী মীওই অহুম শিখিবগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর সুকবিন্দর সুখুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, মদুদি অৱাবা নঙলবা ইমুং অদুদা খুদক্তা মতেং পীননবা মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতেং পীখ্রে। নোং কন্না চুবদুনা মরম ওইরদুনা মহাক্না ষ্টেট অদুগী স্কুল পুম্নমক জ ুলাই ১০ অমসুং ১১ দা থিংজিন্নবসু ওর্দর তৌখ্রে।

সিএমনা মীয়ামদা তুরেলশিং অমদি অচৌবা থোংশিংগী মনাক্তা য়ারিমখৈ চৎতনবা অমদি মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা আপিল তৌখি। ষ্টেট অসিগী অৱাংবা মফমশিংদা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা উন তারকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগী গভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা চয়োল অনী চুপ্পা চথুগদবা শ্রীখন্থ মহাদেব লাইফম কোইবা থিংজিনখি। লাইফম অদুবু য়ৌনবা হোৎনবা হায়বসি কাশ্মিরগী অমরনাথকী লাইফমদা চৎপা খোঙচৎতগী হেন্না ৱাবা হেল্লি হায়না খন্নরিবনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা দিবোটি অহুম লাইফম কোইরিঙৈ মনুংদা মাঙখি। রেস্ক্যু টিম্না হকচাং অমা রিকোভর তৌখি অমসুং মীওই অনী থিবা ফঙখিদে। দিপ্যুটি সুপরিন্টেন্ডেন্ট ওফ পুলিস চন্দ্রসেখর কয়াটনা মেদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা থী হুন্থগী ওপরেসনদা অয়েৎ অপন পীরি হায়না ফোঙদোকখি।

লোকেল মেদ ওফিসকী ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুরকপা য়াবগী ফিভমশিং লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ইন্দিয়া মেটিওরো-লোজিকেল দিপার্টমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হিমাচল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগা তাইনবা মফমশিং নোং কা হেন্না কন্না চুগনি হায়না প্রিদিক্সন পীখ্রে।

আই এম দিনা উত্তর প্রদেশতা জ ুলাই ১০ অমসুং ১৩ গী মরক্তা নোং কন্না চুগনি হায়নসু প্রিদিক্সন পীখ্রে। আই এম দিগী মতুং ইন্না নোংচুপ থংবা হিমালয়ন রিজন, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, রাজস্থান অমসুং উত্তর প্রদেশতা নুমিৎ নীনি নোং খরা লিকপদগী ময়াই ওইরকপা অমদি কা হেন্না কনবা চাং ফাওবা চুবা য়াই। নোংচুপ থংবা ইন্দিয়াদা মফম খরদা ময়াই ওইরকপা চাংদগীনা খরা কনবা চাং ফাওবা নোং চুবা য়াই। নুমিৎ হুম্নিগী মতুংদা নোং চুবগী চাং হন্থরকপা য়াই।

# বেঙ্গলদা পঞ্চায়ট মীখল মতুংগী ভাইওলেন্সতা ত্রিনামুলগী ৱার্কর অনী হাৎখ্রে

**কোলকত্তা, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মরোল অহুমগী পঞ্চায়ট সিষ্টেমগী মীখল লোইশিনখ্রবসু হাৎন শুনবগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈত্রি অমসুং মীখল মতুংগী ভাইওলেন্সতা মীওই অনী শিরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অহানবা ওইনা পঞ্চায়ট মীখল মতুংদা থোকপা ভাইওলেন্সতা মী শিবগী থৌদোক অদু সাউথ ২৪ পর্গনাসকী কুলটালিদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ৱার্কর অমা ওইরিবা অবু সালেম খান মশক খঙদবা লমহেন তুহেনবশিংনা হাৎখি। লমহেন তুহেনবশিংগী এটেক অদুদা মহাক্কী মকোক পুমকাই কাইখি হায়রি।

লোকেল মীওইশিংনা হায়রিবদি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ভোট থাদনবা লোইখিবদগী মচি মচিদা মখা তানা খুৎ থোক্লবগা লোয়ননা মফম অদুদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরকখি। মতমগী মতুং ইন্না উংখৎনবা হেল্লকখি অমসুং মমৈথংদা নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা মখা তাবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা খান শিখি।



মান্নবা মওংদা সাউথ ২৪ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্টকী বস্নাতিদসু মীখলগা মরী লৈননা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্না মরম ওইদুনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা অজর লাস্কর কৌবা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী অতোপ্পা এক্তিভিষ্ট অমসু শোকখি। মহাক কোলকত্তাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুদুনা লায়কন্নরকখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা শিখি।

লাস্করনা শিরিবদু লেফট ফ্রন্টকী এলাই রিভোল্যুসনরি সোসিএলিষ্ট পার্টি (আর এস পি) না চথুখিবা এটেক্তা ফিভম থীনা শোকপদগীনি হায়না ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী বসন্তিগী এম এল এ শ্যামাল মোন্দালনা ক্লেম তৌখি। অদুম ওইনমক লোকেল আর এস পি লিদরশিপনদি লাস্কর হায়রিবা মীওই অদু মহাক অমদি মহাক্কা লোইনবশিংনা বৃঠ অমা কেপচর তৌনবা হোৎনরুবদা মীয়াম্না অথিংবা পীরকপদগী শোকপনি হায়না ক্লেম তৌখি।

ইনৌ নৌনা মীওই অনী শিরিবা অসি থারগা মীখলগী নুমিৎ থাংজগী অয়ুক্তগী নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা শিখিবা মী মশিং ১৭ শুরে। মীওই মঙা শিদুনা মুর্সিদবাদ দিষ্ট্রিক্টনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা দিষ্ট্রিক্টনি। সাউথ ২৪ পর্গনাসতা মীওই ৩ শিখি। কুচ বেহার, ইষ্ট বরদুৱান, মালদা অমসুং নোর্থ দিনাইপুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীওই ২/২ শিখি, নদিয়া দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১ শিখি।

# য়ু সি সিগী সেমিনরদা য়াওননবা সি পি আই (এম) না হায়বদা মুস্লিম লিগনা য়াওরোইদৌরি

**থিরুবনন্তপুরম, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু সি সি) ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মায়োক্তা জুলাই ১৫ দা কোজিকোদতা পাঙথোক্কদৌরিবা সি পি আই (এম) গী সেমিনর অমদা ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগ (আই য়ু এম এল) য়াওদবা য়াই হায়রি।

কেরলাগী ওপোজিসনদা লৈরিবা আই য়ু এম এলদা সি পি আই (এম) গী ষ্টেট সেক্রেটরি এমভি গোবিন্দননা সেমিনর অদুদা য়াওননবা ইনভাইট তৌখিবনি। লিগ অসিদা সেমিনর অদুদা য়াওনবা ইনভাইট তৌরকখি হায়বসি পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং হান্নগী এম এল এ পিএলএ সলামনা কনফার্ম তৌখি।

সি পি আই (এম) না ইনভাইট তৌরক্লিবদুগী মতাংদা আই য়ু এম এলগী হাই-পৱার কন্মিটিগী মীফম অমা পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট সদিক অলি সিহাদ থাঙ্গালগী মলাকুরমদা লৈবা ময়ুমদা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা খন্ন-নৈনখি।

পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি



পিকে পিনহালি কুতি, এম পি অমসুং পার্টিগী লিদর ইটি মোহমদ বাসির, রাজ্য সভাগী মেম্বর পিভি অব্দুল ৱাহপ অমসুং অতৈ লিদরশিং য়াওনা সেনিয়র লিদরশিংনা পার্টিগী হাই পৱার মীটিং অদুদা শরুক য়াখি। অদুম ওইনমক পার্টিগী ছোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরক্লিবদি লিগ অসিনা সি পি আই (এম) গী ইনভিটেসন অদু একসেপ্ট তৌদবা য়াই অমসুং পার্টিগী লিদরশিপনা সেমিনর অদুদা শরুক য়ারোই।

আই য়ু এম এলগী আইদিওলোজিকেল পৱার হাউস সমস্থানা মীটিং অদুদা শরুক য়াগনি। মদু সি পি আই (এম) না হোৎনরিবশিং অদুদা অচৌবা মায় পাক্কনি হায়না পার্টি অসিনা লৌরিবনি।

মেদিয়াগী মীওইশিংদা চথুখিবা ইন্টরেক্সনদা গোবিন্দাননা হায়খি, মদুদি য়ু সি সিগী মায়োক্তা সি পি আই(এম) না মখা তানা হোৎনফম থোকপা পুম্নমক হোৎনখিগনি অমসুং কোজিকোদতা জুলাই ১৫ তা সেমিনর পাঙথোক্লবা মতুংদা পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিগী অতৈ মফমশিংদসু অহেনবা সেমিনরশিং অমসুং এৱার্নেস পাঙথোকখিগনি।

# দিল্লি গভর্ণমেন্টগী স্কুলশিং খুদক্তা ফিজিকেল ইন্সপেক্সন চথনবা ওর্দর তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
নোং কন্না চুবদগী দিল্লি গভর্ণমেন্টগী স্কুল অমগী শরুক্তা নিংখায়রকপদগী দিল্লিগী এদুকেসন মিনিষ্টর অতিসনা গভর্ণমেন্ট স্কুল পুম্নমক খুদক্তা ফিজিকেল ইন্সপেক্সন চথনবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা অঙাংশিংনা স্কুল য়ৌরবা মতুংদা প্রোব্লেম অমত্তা মায়োক্লহন্দনবা মিনিষ্টরনা গভর্ণমেন্ট স্কুল পুম্নমক্তা ফিজিকেল ইন্সপেক্সন চথনবা ওর্দর তৌখিবনি।

এদুকেসন মিনিষ্টর অতিসিনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সিটি অসিদা নোং কন্না অমদি লেপ্তুনা চুবদগী সিটি অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী বিল্ডিংশিংগী ফিভমশিং শোকহল্লম্বা য়াই হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খনফম থোকই। অদুনা এদুকেসনগী রিজনেল দিরেক্তৰশিং-জোনশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্টশিং, প্রিন্সিপালশিং অমসুং ভাইস প্রিন্সিপালশিংনা ঙসিমক মখোয়গী জুরিসদক্সন মখাদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুল পুম্নমক ফিজিকেল ইন্সপেক্সনশিং চথনবা দিরেক্সন অসি পীরি। মিনিষ্টর অতিসিনা ওর্দর অদুদা হায়রিবদি গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং খুদক্তা ফিজিকেল ইন্সপেক্সন চথহনবগী পান্দমদি হয়েং স্কুলশিং হাংলকপা মতমদা স্কুল তল্লিবা অঙাংশিংগী সেক্যুরিটিদা অকায়বা থোক্লক্কদবা অশোয়বা অমত্তা লৈহন্দবা অসিনি।

করিগুম্বা অশোয়বশিং নত্ত্রগা অরুবা প্রোব্লেমশিং থেংনরবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবগীদমক্তা মখোয়বু খুদক্তা য়েংশিনগদবনি হায়নসু ওর্দর অদুদা পনখি।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌগদবনি। এদুকেসনগী সেক্রেটরি দিরেক্তরনা দিরেক্তিব অসি শোয়দনা ইলহনগদবনি অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবা ফাওবগী মনুংদা কমপ্লাইয়ন্স রিপোর্ট অমা ঐঙোন্দা সবমিট তৌগদবনি।

# এক্স-আর এস এস চীফ গোলৱাকরদা টার্গেট তৌবা সোসল মীদিয়া পোষ্টকা মরী লৈননা দিগবিজয় বুক তৌখ্রে

**ভোপাল, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
মধ্য প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেসকী রাজ্য সভা এমপি দিগবিজয় সিংহ হান্নগী রাষ্ট্রিয়া স্বায়ামসেভক সঙ্গা (আর এস এস) কী চীফ গোলৱাকরদা টার্গেট তৌদুনা থাগৎখিবা মহাক্কী সোসল মেদিয়া পোষ্টকা মরী লৈননা বুক তৌখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইন্দোরদা ভেটরন কংগ্রেস লিদর অসিগী মায়োক্তা এদভোকেট রাজেস যোসিনা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি। এফ আই আর অদুগী মতুং ইন্না মহাক আই পি সিগী সেক্সনশিং ১৫৩-এ, ৪৬৯, ৫০০ অমসুং ৫০৫ কী মখাদা বুক তৌখি।

এদভোকেট রাজেস যোসিনা হায়রিবদি দিগবিজয় সিংহনা গুরুজি (গোলৱালকর) গী মিং অমসুং পিকচর য়াওবা ৱাথোক লাল্লিংঙাই ওইবা পোষ্টর অমা ফেসবুক্তা স্যের তৌখি। মহাক্না মদু দলিটশিং, বেকৱার্দ ক্লাসশিং, মুস্লিমশিং অমসুং হিন্দুশিংগী মরক্তা কনফ্লিক্ট লাকহন্দুনা মীয়াম্বু অমগী মায়োক্তা অমনা ইরাং



হৌহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা স্যের তৌখিবনি।

এদভোকেট জোসিনা মখা তানা ক্লেম তৌরি, মদুদি গোলৱালকরগী মরমদা দিগবিজয়না থাগৎখিবা ফেসবুক পোষ্ট অদুনা সঙ্ঘ ৱার্করশিং অমসুং হিন্দু কম্যুনিটি অপুম্বগী লাইনিং লাইশোলগী থাজবশিংদা শোকহল্লি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা দিগবিজয় সিংহনা মহাক্কী সোসল মেদিয়া একাউন্টশিংদা খোঙলোই কয়ানা গুরুজি হায়না মিঙ্গৌনবা আর এস এসকী হান্নগী হেদ অদুগা মরী লৈনবা ৱাথোক লাক্কদবা কম্মেন্ট কয়া য়াওবা পেজ অমগী পিকচরগা লোয়ননা পোষ্ট অমা স্যের তৌখিবনি। গোলৱাকরগী ৱারোল পল্লদুনা পোষ্ট অদুদা হায়রিবদি দলিটশিং, বেকৱার্দশিং অমদি মুস্লিমশিংদা পীরিবা হকশিংগা মান্নবা লৈববুদি মহাক বৃটিসকী লৈঙাক মখাদা লৈবনা হেন্না ফগনি।

অতোপ্পা ৱাথোক লাকপা য়াবা কম্মেন্ট খরসু পোষ্ট অদুদা গোৱলকারগা মরী লৈনরমখি।

চৈরকসিদা দিগবিজয় সিংহনা পিএম মোদি অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিট সহাবু চৈ থাংলদুনা নখোয়না পৱার পায়ররোইদবা মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবা পাঙদবা মীওই কাঙবু অমা পুলহন্দুনা লৈরি হায়খ্রে।

নখোয় অনীমক্না চৌক্রিদগী তারকপা নুমিত্তুদা থাজবা মাঙহল্লিবা মীওই পুম্নমক অসি ইহান হানবদা নখোয়বু থাদোক্লগা চেনখিগনি হায়না দিগবিজয়না ফোঙদোকখি।

# স্কুটর তোংবা গনমেন অমনা মীওই অমা হাৎখ্রে

**ন্যু য়োর্ক, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
স্কুটর তোংবা গনমেন অমনা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পদা মশাগী চহী ৮৭ শুরবা অহল অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই অহুম অশোক অপন নঙলে হায়না ন্যু য়োর্ক সিটি পুলিস দিপার্টমেন্ট (এন ৱাই পি দি) না হায়রি।

এন ৱাই পি দিগী এক্তিং কন্মিস্নর ইৱাদ কবান্দগী মতুং ইন্না চহী ২৫গী লেঙ্গা ওইবা গনমেন অদুনা ইল্লিগেল স্কুটর অমা তোংলগা ন্যু য়োর্ক সিটিগী ব্রুক্লিন অমসুং ক্বিন্স বোরোসনদা মীওই মরি অদুদা নোংমৈনা কাপখি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অদু নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ গী মমাঙদা তেল্লবা মতমগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবনি। গনমেন অদু নুংথিল অঙনবদা ফাবা ঙমখি। এন ৱাই পি দিনা মীওই অদুদগী ৯ এম এমগী পিষ্টল অমা অমদি মরু কয়াগা কোন্ননা ফাখি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা এন ৱাই পি দিনা ইস্যু তৌখিবা দেটাগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৩ গী অহানবা তঙ্খাই মনুংদা ন্যু য়োর্ক সিটিদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক ৪৮২ রেকোর্দ তৌখি।

# ব্রাজিলদা বিল্ডিং নিংখায়বদা মীওই ১৪ শিখ্রে

**ব্রাজিলিয়া, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
ব্রাজিলগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা লৈবা বিল্ডিং অমগী শরুক খরা নিংখায়রকপদগী মীওই ১৪ শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থাংজ নুমিত্তা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং থীবগী থবক লোইশিনখিবগা লোয়ননা শিখিবা মী মশিং পুন্না ১৪ নি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লিবনি।

মমাঙদা বিল্ডিং নিংখায়বা অদুদা পুন্না মীওই ১১ শিরে হায়না লাউথোকখি। তৌইগুন্সসুং ফায়র ফাইটরশিংনা মতুং তাবদা অকায় অতোই মরক্তা থী হুন্থদা নুপী অমা অমসুং অঙাং অনীগী হকচাংশিং থেংনরকখি। বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক অদু ইরাই নুমিত্তা পেরনাম্বুকো ষ্টেটকী পাউলিষ্টা সিটিদা থোকখিবনি।

পেরনাম্বুকো সিভিল দিফেন্স সার্ভিসেসনা থাংজ নুমিত্তা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না শিরিবশিং অদু চহী মঙাদগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা, নুপী অমসুং অঙাংশিংনি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ইনৌ নৌনা চহী ৬৫ শুরবা নুপী অমগা নহা ওইরিবা মীওই অনীগা রেস্ক্যু তৌখি।

ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী ফিভমগী মতাংদা ইনফোর্মেসন পীখিদে। ওথোরিটিশিংনা হায়রিবদি খরা চাওবা হাউজিং কমপ্লেক্স অমদা এটেচ তৌবা মথোল অহুমগী ষ্ট্রকচর অদু নিংখায়রকপা য়াবগী রিস্ক লৈবনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১০ দা ক্লোজ তৌখি। তৌইগুন্সসুং মতমদুদগী মদুবু ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মীওই কয়ানা ওক্যুপাইদ তৌরকখি।

হৌখিবা এপ্রিলদা ওলিন্দা সিটিদা লৈবা মান্নবা ফিভমগী বিল্ডিং অমা নিংখায়খিবগী থৌদোক্তসু মীওই তরুক শিখ্রবনি। সিটি অদুসু পেরনাম্বুকো ষ্টেটতা লৈরিবনি। ব্রাজিলদা বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোকশিং মহৌশানা ইল্লিগেল কন্স্ট্রক্সনগী থবক পাক শন্না পায়খৎলিবা খরা শোথারবা মফমশিংদা থোক্লল্লি।

কুমজা ২০২০ দা রিও দে জনৈরোগী খরা শোথরবা মফম অমদা মওং মরিল তাদনা শাখিবা বিল্ডিং অনী নুমিৎ কয়ানি নোং কন্না চুবদগী নিংখায়রকখি, থৌদোক অদুদা মীওই ২৪ শিখি।

# ইজরেলনা পাক শন্না রেইদ চথুখ্রবা মতুংদা ফোরেন দিপ্লোমেটশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী ফিভম য়েংশিনখ্রে

**জেনিন, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী জেনিন সিটিদা পাক শন্না মিলিটরি রেইদ অমা চথুখ্রবা মতুংদা মপানগী দিপ্লোমেটশিংগী ওইবা দেলিগেসন অমনা সিটি অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা অমদি সিটি অদুগী রিফ্যুজি কেম্পদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি য়ুনাইটেদ নেসন্স রিলিফ এন্দ ৱার্ক্স এজেন্সি ফোর পলেষ্টাইন রিফ্যুজিসনা থাংজ নুমিত্তা দিপ্লোমেট ৩০ গী দেলিগেসন অদুগী টুর অমা শিল লাংখিবনি। য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা দিপ্লোমেটশিংনা মশিং য়াম্না পুন্না দিপ্লোমেট ৩০ গী দেলিগেসন অদুনা পুং কয়া চুপ্পা সিটি অদুগী ফিভম য়েংশিনখি।

জুলাই ৩ দা ইজরেল্লি আর্মিনা পলেষ্টিনিয়ন



মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চথুখিবা কেম্পেইন অমগী মনুং চন্না জেনিনগী এরিয়া অদুদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা অচৌবা মিলিটরি ওপরেসন অমা পাঙথোকখি। রেইদ অদুদা পলেষ্টিনিয়ন ১২ অমসুং ইজরেল্লি আর্মি ওফিসর অমা শিখি অমসুং অতৈ কয়া অশোক অপন নঙখি। দিপ্লোমেটশিংনা রিফ্যুজি কেম্প অদুবু টুর তৌদুনা ইজরেল্লি রেইদ অদুদা অমাঙ অতা থোকখিবা য়ুমশিং অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং য়েংশিনখি।

পলেষ্টাইনদা লৈবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী রিপ্রজেন্টেটিব বেনকুন বোন বক্সলোবনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি দেলিগেসন অদুনা জেনিনদা চত্তুনা অমাঙ অতা থোক্লিবশিং য়েংশিনখি। মখোয়না থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা দিপ্লোমেটিক মিশনশিংগী কেপিটেল পুম্নমক্তা রিপোর্টশিং সবমিট তৌগনি।

খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংবু শৌগৎপা উৎপনি। মফমদুগী মীওই পুম্নমক মরু ওইনা অঙাংশিং অমদি ফেমিলিশিং মতম চুপ্পা অমদি ফিভম খুদিংমক্তা প্রোটেক্সন পীগদবনি। মহাক্না জেনিন অমসুং সিটি অদুগী কেম্পদা ইফেক্তিব ওইনা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌবা ঙমহন্নবা পলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিদা শেল অমদি পোলিটিকেল সপোর্ট পীবা মথৌ তাই হায়খি।

# এয়র রেইদতা মীচম ২২ শিখিবদগী সুদানদা মপুং ফাবা সিভিল ৱার থোক্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে

**য়ুএন/খার্তুম, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
য়ুম্লক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা মীচম ২২ শিখিবদগী কনফ্লিক্ট থোক্লিবা সুদানদা লমদম অপুম্বা অদুদা শোকহল্লকপা য়াবা মপুং ফাবা সিভিল ৱার অমা থোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়না য়ুএননা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱার্নিং তৌখ্রে।

সুদানগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠকী রিপোর্ট মতুং ইন্না দার অল-সলাম দিষ্ট্রিক্টকী ওমদুরমান হায়না খঙনবা খার্তুমগী সিষ্টর সিটি অসিদা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইক্তা সিভিলিয়নশিংগী মরক্তগী মীওই ২২ শিখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া অমা অশোক অপন নঙখি। সুদানগী রাইবেল জেনরেলশিংগী মরক্তা থা অহুল্লোম চুপ্পা শোক্লরকখিবা লানদা এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা লান হেন্না কনশিনহন্নবা কায়হৌবা য়াবা খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক্নি। সুদানগী কনফ্লিক্ট অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ৩ লোম শিখ্রে।

লানফমদা হিংহৌবা মীওই কয়ানা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সকী থৌদোক তমখি অমসুং ৱিটনেস কয়ানা কাঙলূপতা য়ুন্থম ওইরগা হাৎ তুপ্পগী থৌদোক কয়া পন্দুনা ঙাঙনখি। কনফ্লিক্ট অদুদা পাক শন্না লুট পাৎ তৌবগী থৌদোকশিং থোকখি অমসুং য়ুএননা দারফুর রিজনদা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া চথরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখি।

হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফেসবুক্তা থাগৎপা ভিদিও অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক অদুগী মতুংদা নুপী কয়া য়াওনা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং কয়া উবা ফঙখি। ভিদিও অদুগী নেরেটরনা রেসিদেন্সশিং পল্লদুনা অশিবা মশিং ২২ নি হায়খি।

রেগ্যুলর আর্মিগা লান্থেংনরিবা পেরা মিলিটরি রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেস (আর এস এফ) না এয়র ষ্ট্রাইক অদুদা মীওই ৩১ শিখি হায়না ক্লেম তৌখি।

# পাকিস্টান আর্মিগী মায়োক্তা ফত্তবা কেম্পেইন চথবগী সেহবাসনা ইমরান খান চৈখ্রে

**ইস্লামাবাদ, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
পাকিস্টাননগী পিএম সেহবাস সারিফনা পাকিস্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চিয়ারমেন ইমরান খানবু চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সি ও এ এস) জেনরেল অসিম মুনিরগী মায়োক্তা ফত্ত্রবা কেম্পেইন অমা চথবগীদমক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা কন্না চৈ থাংখ্রে।

ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা পিএম সেহবাসনা পি টি আইগী চীফ অসিবু মপুং ফানা এক্সপোজ তৌরে হায়রদুনা কন্দেম তৌখি। জিও ন্যুজনা সেহবাসকী ত্বিটর পোষ্টকী ৱারোল অদু পল্লদুনা হায়রিবদি ইমরান খাননা সি ও এ এস জেনরেল অসিম মুনিরগী মায়োক্তা মখা তানা মিংচৎ থিনিংঙাই ওইবা ফত্তবা কেম্পেইন অমা চথুদুনা লৈরি।

মহাক্না প্রোক্সিশিং শীজিন্নদুনা আর্মি চীফতা মী হাৎনবা হোৎনখি হায়না কিহনখিবগী থৌওং হৌজিক্তি মীয়াম পুম্বদা এক্সপোজ তৌরে।

সরিফনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হান্নগী পিএম অসিনা ষ্টেটকী সিম্বোলশিংদা সিষ্টেমেটিক এটেক চথনবা তৌখিবা থৌরাং ফেল ওইবননি। অমুক হন্না পৱার পায়ননবা তোঙান তোঙানবা মওংশিংদা হোৎনরক্লি।

# কার্লির্ফোনিয়াদা অপীকপা প্লেন অমা কায়বদা মীওই তরুক শিরে

**মোরেটা, জুলাই ৯ (এজেন্সী):**
হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা য়ুএসকী কার্লির্ফোনিয়াগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা এয়রপোর্ট অমগা নক্কনা ফিল্ড অমদা অপীকপা প্লেন অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই তরুক শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা হায়রি।

ওথোরিটিশিং অদুগী মতুং ইন্না প্লেন অদু অয়ুক অঙনবদা লৈচিল কন্না থারিঙৈ মনুংদা লেন্দিং তৌনবা অনীরক হোৎনখি অমসুং অকোনবা এটেম্প অদুদা এয়রপোর্ট অদুগা নক্কনা লৈবা ফিল্ড অমদা তাশিল্লগা মরি থোক্লা কায়খিবনি।

ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না সেস্মা সি ৫৫০ বিজিনেস জেট কায়খিবগী থৌদোক অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৪.১৫ রোম তাবদা লোস এঞ্জেলিসকী খা নোংপোক্লোমদা কিমি ১৩০ রোম লাপ্না লৈবা মুরিয়েটাদা থোকখিবনি। রিভরসাইদ কাউন্টি ফায়র দিপার্টমেন্টগী মতুং ইন্না ফায়র ফাইটরশিংনা পুং ১ হেন্না হোৎনরবা মতুংদা মৈ অদু মুখৎপা ঙমখি। প্লেন মৈ চাকপদুনা মরম ওইদুনা ফ্রেন্স ভেলি এয়রপোর্টকী চিদাইদা লৈবা ভেজিটেসন একর অমরোম মৈনা তুম্না চাকখি।

নেসনেল ট্রান্সপোর্টেসন সেফতি বোর্দগী ইনভেষ্টিগেটর অমা ওইরিবা ইলিওট সিমসনগী মতুং ইন্না মীওই ১৩ তোংবা য়াবা জেট অদু রনৱে য়ৌগদবা ফুট ৫০০ রোম ৱাৎলিঙৈদা কায়খিবনি।

মমৈখক নত্তনা এয়রপ্লেন অদুগী অয়াম্বা শরুক মৈনা তুম্না চাকথেকখি হায়না সিমসন্না নুংথিলগী ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফুদ ২০০ রোমগী ফিল্ডদা অকায় অতোইশিং থীবগী থবক চথুখি।

রিভরসাইদ কাউন্টি সেরিফকী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই তরুকমক থৌদোক থোকফম অদুদা শিখি। মপুং মরৈ ফারবা মীওইশিং ওইরিবা ভিক্তিম পুম্নমক খুদক্কী ওইনা মশক খঙবা ঙমখিদে। মুরিটা তম্না পাইগদবা মিনিট ৪৫ গী ফ্লাইট অমগীদমক্তা লাস ভেগাসকী হেরি রিদ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট থাদোকখিবা প্লেন অদু মদুগী অনীশুবা এপ্রোচতা কায়খিবনি। লৈচিল নোংফাই থাংবনা মরম ওইদুনা পাইলোট অদুদা শুপ্পগী ইন্স্ট্রুমেন্টশিং শীজিন্নরগা লেন্দিং তৌনবগী অয়াবা পীখি হায়না সিমসন্না ফোঙদোকখি।

এন টি এস পিগী মতুং ইন্না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা পাইলোট অমসুং এয়রক্রাফটকী মরক্তা লৈরিবা রেকোর্দিংশিং রিভিয়্যু তৌগনি। চয়োল অনীরোমগী মতুংদা প্রিলিমিনরি রিপোর্ট অমা লৈরগনি। এফ এ এগী এয়রক্রাফট ট্রেক্কিং দেটা বেজনা জেট অদু কার্লির্ফোনিয়াগী প্রেষ্টিস ৱার্ল্ডৱাইদ ফ্লাইট ইন্সপিরিএলনা ওপরেট তৌবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open (New Batches)
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X
(English, Maths, Science & Social Science)
Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious,Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30– 7.00) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.
For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-P/6960/30-6 to 29-7